# করপসন শুকলৈ লৈত্রবা খুঙ্গং অমা : Odanthurai

## (টামিল নাদুগী Odanthurai খুঙ্গং ইন্দিয়াগী মিংশেলনি, ঐখোয়গীনা ওন্ন-তৈনবা)

**— মুতুম শান্তি —**

মীওইবনা হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা মৈ, ঈশিং, য়ূম, লম্বী, নালানচিংবা অমত্তা লৈরমদবা Odanthurai খুঙ্গং ইন্দিয়াগী মীংশেল ওইখ্রে। লায়রবগী শেন্থং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থাদরকপা কয়াদা করপসন তৌদবনা খুঙ্গং অসি চাওখৎলিবনি। করিসু লৈরমদবা খুঙ্গংসিদা অৱাৎপা অমত্তা লৈতনা হৌবদগী লোইবা ফাওবা শেন্বীরিবা লৈঙাকলোইশিংগী মগুনবু, ৱাখল্লোনবু শক্ল-শোন্নহৌরনি মালেমদা। মশানা মশাগী মথৌ ফজনা পাঙথোকপা ঙম্বা মীওইপোকনি। মীওইবা ওইনা পোক্লম্বগী মহয় য়ানবা মপোক্লি। ঐখোয় পূন্নমক্লা ইশাগী শিনফমবু মশক খঙবা, মীনুংশি, ধর্ম্ম, থৌজালনা থম্মোয় শেংনা থবক ওইনা পাঙথোক্লম্বা হায়বসি তাইবঙ মপুগী সেবা মপূং ফারবনি।


ঐখোয়বু তাইবঙ মী ওইনা শেন্বীরম্বা, মশক উবা ফংদবা মপু মাগী থৌজালদি অৱাবা, লায়রবা, নাম্মা শোয়রবা, লৈত-লায়রবা কয়াগী অৱাবা কোকহনবা ৱাখল খনবা, থবক ওইনা পাঙথোক্লম্বা ঙম্বা মী অদু শিবা নাইরোইদবা মপোকনি। টামিল নাদুগী লৈঙাকশিংগা ঐখোয়গী লৈঙাক্কা করি খেন্নবগে? মীংচৎতগী শেলনা হেন্না মমল লৈনা খনবা পুন্সিবু করম্বা পুন্সিগী খোঙচৎনো? Odanthurai খুঙ্গংদা ময়েক শেংনা শেঞ্জা থুমজা অমত্তা য়াওদনা করিসু লৈরমদবা মফম অমা ০% লৈরম্বদগী ১০০% শেমগৎলিবসি ইতিহাস ওইহৌগদৌরিবনি। কনাগী মতমদা কনানা শেমগৎখি হায়বসি শক্ল-শোন্নগনি মতম পূন্বদা। মী অমনা তৌরগা অমগী মীং হায়জিনবা য়াবা নত্তে। মসিনি হিষ্ট্রি হায়রিবসি।

অফবনা অফবগী, ফত্তবনা ফত্তবগী ইতিহাস লৈহৌরগদবনি। ঙসি ফাওবদা ঐখোয়গী লমদমসিদা লৈঙাকপা ফম্নাইবা কনা শিবা মতমদা শক্ল-শোন্নবা য়াবা কনা য়াওখ্রবগে? মশাগী ওইজবনা মাঙ থাবা, কত্থোকপগী মমি তাখিদ্রবা লমদমনি। লায়রবগী পনখৈ মখাদা হিংলিবা ইমুংশিংগী থাদরকপা স্কিম পূন্নমক লমদমসিদা হেক য়ৌরকপগা পুম্মাং মাঙহল্লি। লায়রবা ইমুংগী অঙাং মহৈ মশীন তম্ফম নোবোদিয়া স্কুল দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী হাংলিবা মফম খুদিংদা ইনাকখুনবা মচাশিংগী মহৈ তম্ফমশঙ ওনখ্রে। মীচং শঙ্গ লৈজদবা লায়রবা মচা কয়ানা লাইরিক তম্বা ফংদবনা অৱাবদা অৱাবা ওইরি। য়ূমশারোল পীবদা, পাল্লিবা রাজনিতি দলদা ভোট থাদবা মীদা খল্লগা পীরি। মসি কেন্দ্র খুদিংগী চৎনবী ওইরি। লৈকায়গী অপূনবা লূপ কয়া শেমদুনা লৈবদা ভোট মতুংদদি মচেৎ মচেৎ তানা থুগায়রি। বি জে পিনি, কোংগ্রেসনি তোঙান তোঙান তারি।

চাওখৎনবনি হায়দুনা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট অমগী মখাদা বোর্দ কয়া অমা লিংখৎলি। বোর্দ অদুদা থবক পুরিবা অচৌবদগী মচা ফাওবগী ফুরিৎখাও চোনবা মখৈ হুরানফম ওইরি। লমদমসিগী লায়রবা মীয়ামদা অঙাং নিংঙাই তৌরগা মীঠাই লৈরগা পীজরগা থেন্বগুম থন্বীরি। অপংবগী মরল অশিংবনা চারি। লৌ উরগা হিংবা লৈবাক ওইরবসু লৌউবগী লোয়শঙনা লৌমীশিংদা ময়েক শেংনা মপূং ফাবা মতেং করি তৌখ্রবগে? লেবর দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা মণিপুর বিল্ডিং কন্সত্রক্সন ৱার্ক্স ৱেলফেয়ের বোর্দনা লায়রবা শিন্মী কয়াদা অচুম্বা থবক কয়াম তৌখ্রিবগে? হঙ্গৎ-হন্দা শিন্মীশিংদা কান্নবা পীবগী মহুৎ শেল লৌথোকপীরি।

লায়রবা ইমুং পূন্নমক্কী উনশা খোক্তুনা ঈ থক্লি। অরানবা থবক তৌরিবা মীওই হিংলিঙৈদগী নোরোক্কী লম্বীদা চৎলিবনি। ঐখোয়গী ইরমদম চাওখৎনবা হোৎনদনা, লিংজেল মান্নদবা, ইকায়বা, ঈজৎ লৈত্রবা, হুরান চিন্থি তৌরিঙৈ মীতোপ মীয়ানচানা য়োৎখ্রগনি কাউগুমসি। লন হায়বসি তুরেলদা তাউথরকপা উ অপৎপা কাউশিংগুম্বনি। হিংনবা খরা লৈরগা পেন্থোকপা ঙমদ্রিবা ৱাখলদুবু করম্বা মীওইবনো? শিবা নাইররোই খল্লবা পুন্সি ওইবগীরা? ঈজৎ কয়া মাঙলবসু, থৌশাদবগুম ইকায়ববু হয়েং খরা ফবা, হংচিং খরা ফবা, অদুম মতম খরা লৈরগা পুংফ ফগনি হায়বদুরা?

অসিগুম্বা ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা তৌরিবা মওং মতৌ অসিগা মীগী লমদম টামিল নাদুগা লৈবাক অনীগী খেন্নবা অসি ঐখোয় পূন্নমক খন্থমিন্নসি। ঐখোয় লমদমসিদা পোকই হায়বদা ইকায়জৈ। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টতা য়েংলুই লাইরিক হৈতবা কয়াবু ওজা ওইনা হাপচিনবনা ঙসিদি লৈঙাক্কী স্কুল, কোলেজ পুংমুৎ মৃৎথৎলি। মাঙখ্রবা, কায়খ্রবা থবক অমা অমুক নৌনা শেমগৎপদা মমি অমদি শোয়দনা লৈরগদবনি।



লৈঙাক্কী ফন্দবু পুকচেল শেংনা শেমগৎখিবা খুঙ্গং অমগী শক্তম

লৈবাক অমা মাঙহনগে হায়রবদি লান তৌদনা লাইরিক তন্বীবগী কাঙলোন থুগাইয়ু হায়বদু ঐখোয়গীসু মতম য়ৌরব্রা? কাংখোং চাইরবা লমদম অসি মতমদি অসুম চৎলিবনা ভোট মতম য়ৌরক্লগনি। মতম অদুদা আইন্না য়াদে কা হায়বা ৱাফম করিসু লৈতে। ভোট থা ২/৩ ৱাৎলিঙৈদগী চাক চান্নজবা, য়ু থক্লিংবা, নিশা চানীংবা পূন্নমক পীজগনি, পীথক্কনি। হয়েং ভোটনি হায়বা নুমিৎতা মী অমদা য়ামদ্রবদা লুপা ২০০০দি শোয়দনা য়েল্লি। ঐখোয়না চারেম, য়ুরেম থকখি-চাখিবা কয়াগী লংদায়দা ঙসিদি লমদমসি করি ওইরে। লৈরমদ্রা মালেমদা ঐখোয়গী ইমা লৈবাক্কা মান্নবা। শেল পীরিবা, শেল লৌরিবা অনীগী লীলানি।

অহলগী মতম ওইশিল্লক্লবা ঐখোয়দি অচুম্বা, অশেংবা ইমা লৈবাকপু নুংশিবা কত্থোকপা ঙম্বগী থম্মোয় চেনবা লাকপা থেংনগনি থাজদ্রে। হয়েং মতমসিদা অসুম্না তৌরম্মী হায়বসিদি ময়েক শেংনা ইতিহাসতা লৈরগদবা থবকনি। ঙসিদি পূন্নমক উরি। লম্বী সোরোক কয়লা থাবনা চহী ফাদে নোংজু অমদা লোইরে। লৈকায়গী ইরম খোংলম নালা হান্নগী লৈজরম্বা অদুনা হেন্না ফরবনি। নাকল অনীগী শরুক লৈঙোই চামদবা খরগা চেক্লা চনবীরে। মখাদি চনদ্রে। চহী চুপ্পা ঈশিং চেন্থবা ঙমদ্রে। খোংবান নালাদু পুমদুনা কাং মচা কোকফম ওইরে। লৈকায়গী লৈরক মচা অচৌবা নমথীবনা লৈবা য়াদ্রে। মীয়াম্না টামিল নাদুগী Odanthurai খুঙ্গংগী নালা চনবদা কয়াম ফজনা ঈশিং চেন্দুনা পুমশেং শেংনা শিৎ-নান্না হিংলিবা পুন্সি মহিং য়েংবীয়ু। থক্লবা ঈশিং পীরিবা, অশেংবা নুংশিৎ 'ৱিন মিল' পান্দুনা নুংঙাইরিবা, মৈনা য়ূমথোঙগী সোলর থন্বীরিবা, ঐখোয়গীদি কদাই।

হোস্পিটালদা কাঙনা চিকপগী লায়না খরা য়াম্লক্লবদি লম্ফেলদা লৈবা মেলরিয়া দিপার্টমেন্টকী কর্ম্মচারি খরা ইম্ফাল সহরদা লাকই। লৈরক খুল্লক চঙলকই। ঐ ইশামক্কা নালা অসি য়েংমিন্নে। কাঙ মচা কোকফম ওইবসিবু করম তৌসিগে। মখোয়না হায়রম্মী হয়েং পুং ১দা ওফিসতা লাকউ, তিন-কাঙ ময়ামসি চাথোক্লবা ঙা অখাবা লৈ লৌবীরো লাও। ঐনা হায় ইবুংঙোখোয়না ঙসি লাকপসিদা ঙাদু খরা পায়বীরকপা য়াদ্রা হংলুই। ওফিসতা লৈবা মহিক চাথোকপা ঙা মচা নালাদা থাদবীনবা প্লান তৌবীয়ু।

মখোয়না খুল্লম্মী কদাইদগী ঐখোয়না করম্না পুরক্কনি। নশানা লাক্লগা লৌরগদবনি হায়রম্মী। ঐনা খল্লি করমনো লমদমসিবো লৈঙাক্কী লোয়শঙদা থবক পুরিবশিংগী ৱাঙাঙ-শঙাঙ, থকসি-খাসি য়াওদ্রিবা খুল্লল্লিবা পাউখুম অঙকপনি। ঐনা হায়, নখোয়গুম্বা কয়ানা লৈঙাক্কী থবক পুরিবমখৈ লমদমসি চাওখৎলরোই। মশাগী মথৌ মশানা মশক খঙজদ্রবা লমদমসিগী মীওইশিংনি।

টোটি ঈশিংগী মতাংদা পাউদম অমত্তং থমজরি - নোংমা নুপা অনীখক য়ূমদা ঈশিংগী মিটর লেম্না পানগে হায়বা লাকখি। লৈঙাক্কী ফোর্মসু পুরকই। লৈঙাক্কী ওইব্রা হংবদা নত্তে অমুকসু হায়। নখোয়না তৌরিবা থবকসিগী ওফিস কদায়দা লৈ। এম জি এভেন্যুগী মনাক্তা লৈবা নির্মলা হোটেলগী গ্রাউন্দ ফ্লোরদা লৈবা ভেরাইটি ত্রেদ কমপ্লেক্স কৌবা ওফিস অমদা থবক তৌবনি হায়। ওফিস অসিদা ঐখোয় থবক তৌবনি। ফোর্ম অসি ঐখোয়দা শিন্নবনি খুমই। লৈঙাক লৈনা লৈনা অসিগুম্বা মীয়ামদা চমন্নবা ৱাখলনা লমজিংবসিবু কয়াম কুইনা য়েংদুনা অসুম লৈখিসিগে? ঐখোয়সি গধাগুম্না উরব্রা? মেজিক তৌবীগনু মীয়ামদা। অশেংবা অচুম্বা, তুং কোইনা চৎকদবা থবক খক্তা পায়খৎপীয়ু। ঈশিং ঈপাক অমদা পুল্লপ ইরাকমিন্নবগী থবক তৌগুমসি।

রজিব গান্ধী নেসনল ৱাটর মিসন, জল জীবন যোজনা স্কিমগী মখাদা টামিল নাদুগী ফম্নাইবদগীচিংনা পঞ্চায়টকী ইলেক্টেদ পর্সনশিংনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী ফন্দ খুদিংমক থম্মোয় শেংনা, থবক ওইনা পাঙথোক্লিবা Odanthurai খুঙ্গংনি। ৱিন মিল, মৈগী সোলরনা মহৌশাগী অকোয়বদা ইকো-ফ্রেন্দলি ওই হায়বসি খঙনদে। ইলেক্ট্রিক লাইটকী মমলসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী তাঙবা শীজিন্নরি। পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ অমা লিংখৎলি। চ্যেরমেনগী ফম মুন্নবদি উরি। চাওখৎনবা করি থবক তৌরিবগে হায়বদি তাদে, উদে। মায়কৈ কয়াদা তুরেলশিংদগী দাম শেমগৎপদা চহী ৩০/৪০ চঙলি। লোইরে হায়বসু য়াদ্রে হায়রক্কনি। ইশাগী ইথৌ তৌবা হৈত্রবদি তোক্কদবনি। লৈবাক মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংদা অয়েৎ অপন পীগনু।

মীগী লমনা নোংম-নোংমগী চাওখৎলক্লি। ঐখোয়গী লমনা নোংম নোংমগী চাওথরক্লি। শেঞ্জা থুমজাগী খোঙজেলদি ময়েক শেংনা য়াঙনা চেনখৎলক্লি। লৈঙাক্কী থবক অমা চঙবা, ফম্নাইবা অমা ওইনবা হোৎনবদা শেল য়াম্না চঙলবদি ঐ করপসন, শেঞ্জা থুমজা তৌদুনা চঙখ্রিবা শেনফমদগী য়াম্না হেন্না লৌগনি। অসুম্না লমদমসিদা মীপূম খুদিংমক্লা পুন্সিবু করবারদা ওন্থোক্লি। মীওইবনা শেম্বা আইনসি শেলনা মেনখিবা য়াই। তাইবঙ মপুনা পীরকপা দন্দিদি কনানসু ঙাকপীবা ঙল্লোই। ইমা লৈবাকপু অফবা চাওখৎপা ওইহন্নীংবনা নীংঙমদবা ৱাহৈ খরদং মীয়ামদা ফোঙদোকচবনি ৱারৌবীরোই। খ্বাই পূন্নমকপু অইবীনা খুরুমজরি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### হায় কোর্টনা ইস্যু ফ্রেম তৌনবা মতম লেপখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* মীখলদা রিটর্নিং ওফিসর ওইখিবা ক্ষেত্রিগাও সী দি ব্লোককী ব্লোক দিভেলপমেন্ট ওফিসর (রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৩) নি।

পিটিস্নরনা কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবনা ৫-থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ইলেক্টেদ মেম্বর (এম এল এ) নি হায়দুনা লাউথোকখিবা থোঙাম বিশ্বাজিৎনা মীখল অসিদা মীরেপ ওইনবগীদমক রিটর্নিং ওফিসরদা পীশিনখিবা নোমিনেসন পেপরবু অরানবা মওংদা আর ওনা অয়াবা পীখি অমসুং নোমিনেসন পেপরগা লোয়নবা এফিদেভিটশিংসু অচুম্বা ওইখিদে হায়বসিনি। মরমদি রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১না মহাক্কী এফিদেভিটতা ফুল এদ্রেস হাপখিদে অমসুং ফেব্রুৱারী ৫, ২০২২দা ফাইল তৌখিবা নোমিনেসনগা লোয়নবা এফিদেভিট (ফোর্ম নম্বর ২৬) কী কলম নম্বর ৫দা মহাক্কী মথক্তা লৈবা পেন্দিং ক্রিমিনেল/এফ আই আর কেসশিং পনগদবদা হায়রিবা কলম অসিদা পনখিদে। অদুম ওইনমক মহাক্লা নোমিনেসন পেপর ফাইল তৌখিবা মতম অদুদা মহাক্কী মথক্তা তোঙান তোঙানবা কেস অহুম পেন্দিংদা লৈখি হায়বসিনি।

পিটিস্নরনা এপ্রিল ১৮, ২০২২দা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চনা অহানবা ওইনা এপ্রিল ২৫, ২০২২দা লৌখৎলগা খন্নবা হৌখি। কোর্টকী মায়কৈদগী পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা পাউখুম পীরক্কদবা অকক্লবা মতম পীদুনা নোটিসশিং ইস্যু তৌখি। কোর্টনা পিটিসন অসিগী ৱায়েল থেঙ্খ্রাং নাইনা চত্থরক্লবা মতুং ঙরাং (জন্যুৱারী ১২, ২০২৩) দসু বেঞ্চ অসিনা মেট্টর অসি অমুক হন্না লৌখৎখি।

জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চনা পিটিসন অসি ঙরাং লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল মুরটাজা অহম্মদনা এসিষ্ট তৌরগা সিনিয়র কাউন্সেল এন জোতেন্দ্রোনা লেপখি। রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১গী মায়কৈদনা কাউন্সেল এস গুনবন্তনা লেপ্লগা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ২গী মায়কৈদনা কাউন্সেল সনধ্যারানিনা লেপখি।

পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেলনা ইলেক্সন পিটিসন অসিগা মরী লৈননা মসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ২ ওইরিবা সংলাকপম প্রেসিওজিৎকী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকপা রিট্টন ষ্টেটমেন্টগা মরী লৈননা 'রেপ্লিকেসন' অমত্তা ফাইল তৌররোই হায়বগী ৱাফম কোর্টতা সবমিট তৌখি অমসুং ইলেক্সন পিটিসন অসিগী পার্টি পূন্নমক্কী মরক্তা অৱাই-অখুম তৌনবা 'প্লিদিং' শিং মপূং ফানা তৌবা লোইরবনিনা মেট্টর অসিগী মখা তাবা ৱায়েলগীদমক ইস্যু ফ্রেম তৌনবা মতম লেপ্পীনবা প্রেয়র তৌখি।

পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেলগী সবমিসন অমসুং মেট্টর অসিগী কাউন্সেল পূন্নমক্কসু তৌরকপা প্রেয়রগী মতুংইন্না হায় কোর্টকী মায়কৈদগী ইলেক্সন পিটিসন অসিগীদমক ইস্যুশিং ফ্রেম তৌনবা পিটিসন অসি থা অসিগী ২৩দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

মরক অসিদা পিটিসন অসিগী পার্টি পূন্নমক্কা মাগী মাগী ওইবা ইস্যুশিং শোয়দনা কোর্টতা সবমিট তৌরক্কবসু খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, সেরাম নেকেননা পিটিস্নর ওইদুনা থোঙাম বিশ্বাজিৎ অমসুং অতোপ্পা মীওই অনীগী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসন অসিগা মরী লৈননা থোঙাম বিশ্বাজিৎনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন রিক্রিমিনেসন পিটিসন নম্বর ২ ওফ ২০২২সু ঙরাং বেঞ্চ অসিনা লৌখৎখি। মসিদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা সেরাম নেকেননা ফাইল তৌরকখিবা রিট্টন ষ্টেটমেন্টগা মরী লৈননা রেপ্লিকেসন ফাইল তৌরক্কবগীদমক চয়োল অমগী মতম পীবিনবা হায়জরকখিবদা কোর্টনসু অয়াবা পীরদুনা মেট্টর অসিসু থা অসিগী ২৩দা লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি। অদুগা কেস অসিগী মথংগী নুমিৎ ফাওবদা ফাইল তৌগনি হায়রিবা রেপ্লিকেসন অদু শোয়দনা ফাইল তৌরক্কবসু কোর্টনা খঙহনখি। লোয়ননা মসিগী নুমিৎতগী মখা তানা এদজোর্নমেন্ট তৌররোই হায়বা ৱাফমসু কোর্টনা খঙহনখি।

অমরোমদা, মহাক্কী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অসিগা মরী লৈননা থোঙাম বিশ্বাজিৎনা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ১০২ ওফ ২০২২সু ঙরাং বেঞ্চ অসিনা লৌখৎতুনা খন্নখিবগা লোয়ননা পার্টি পূন্নমক্কী কাউন্সেলশিংনা প্রেয়র তৌরকপগী মতুংইন্না মেট্টর অসি খন্নবা অমসুং ফাইনেল দিসপোজেলগীদমক থা অসিগী ২৩দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি অদুগা ইলেক্সন পিটিসন অসিগা মরী লৈননা সংলাকপম প্রেসিওজিৎনা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ২০৫ ওফ ২০২২সু ঙরাং বেঞ্চ অসিনা লৌখৎখি।

কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা সেরাম নেকেন অমসুং থোঙাম বিশ্বাজিৎকী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংনা সংলাকপম প্রেসিওজিৎনা ফাইল তৌরকপা মিসেলিনস কেস অসি কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নবদা মখোয় মখোয়গী মায়কৈদগী ওবজেক্সন তৌরোই হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

ৱাফমশিং অসি তারবা মতুংদা সংলাকপম প্রেসিওজিৎনা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস অসিসু কোর্টনা খন্ননবগীদমক লৌখৎলগনি হায়বা ৱাফম খঙহনখি।

পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা থোঙাম বিশ্বাজিৎনা ভোট ১৫,৩৩৮ ফংদুনা মায় পাকখি। অদুগা কোংগ্রেস মীরেপ সেরাম নেকেননা ভোট ৮৬৪৯ ফংলগা অনীশুবা তাখিবগা লোয়ননা জনতা দল (য়ুনাইটেদ) কী মীরেপ ওইখিবা সংলাকপম প্রেসিওজিৎনা ভোট ৪৮৪৯ ফংখিবনি।

অদুগা সেরাম নেকেননা থোঙাম বিশ্বাজিৎকী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসন অসিনা প্রেয়র তৌরক্লিবনা থোঙাম বিশ্বাজিৎপু ৫-থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী রিট্টন কেন্দিদেট ওইনা লাউথোকখিবা ইলেক্সন অদু চৎনহনবীগনু। মহাক্কী মহুত্তা পিটিস্নর ওইরিবা সেরাম নেকেনবু ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন, ২০২২গী ওইনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদগী রিটর্ন কেন্দিদেটনি হায়দুনা লাউথোকপীয়ু অমসুং থোঙাম বিশ্বাজিৎকী মথক্তা রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপল এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন ১২৫-এ অমসুং ১২৭কী মখাদা ক্রিমিনেল প্রোসিদিংশিং লৌখৎপীয়ু হায়বসিনি।

### গোল্ড মেদলিষ্টশিং থবক পীখিগনি...

*লামায় ১গী মখা...* থৌদাংশিংবুসু শীংথাখি। লোয়ননা মণিপুরগী ওলিম্পিয়নশিং অসি 'লিভিং লিজেন্দস' নি হায়না চাংদম্নখিবগা লোয়ননা খুন্নাই অসি দ্রগতগী লাপথোক্তুনা লৈবা মশা মউ ফবা খুন্নাই অমা ওইহনবীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি।

মণিপুরনা শান্ন-খোৎনবগী লম্‌দা ইনাক খুল্লিবা অমসুং শান্নববু নুংশিবগীদমক ষ্টেট অসিবু স্পোর্টসকী পাৱর হাওসনি হায়না মীয়াম্না শকখঙবীরি হায়বগা লোয়ননা মসিমক্লা মণিপুরদা অহানবা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি থম্লনবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মীপূম খুদিংমক্লা ফুরুপ কাঙলূপ, লাইনীং লাইশোন অমসুং চীং নৎত্রগা তমগী হায়বা ৱাখল থমদনা অমত্তা ওইবা মণিপুর শেমদুনা পূন্না চাওখৎমিন্নবা হোৎনমিন্নগদবনি হায়খি।

লৈঙাক্লা চঙশিল্লক্লিবা ৱার ওন দ্রগস কেম্প্যেনগী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা ভিলেজ চীফশিং অমসুং সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনগী লুচিংবশিংনা চীংদা থাবা পোপি পান্বীশিং মশা মশানা চোংথোরক্তুনা য়ান্থৎতুনা মাঙহনবা হৌরকপবুসু তৌবীমল খঙবা উৎখি। ঐখোয় অমত্তা ওইনা মতেং পাংশিন্নদুনা হোৎনমিন্নরবদি লমদম অসিদগী ময়াই কাবা দ্রগশিং মরূ ফংনা মৃথৎপা ঙমগনি হায়খি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মণিপুরগী কাচিন কোয়া শিনবা থুংনা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া অমা পায়খৎতুনা লাক্লি হায়রদুনা মীয়াম্নসু থবকশিং অসি মখোয় মশা মশাগীনি হায়বা ৱাখল চেনবীদুনা নীংথিজনা ঙাক শেন্দুনা থন্বীয়ু হায়খি।

ঙসি চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা মহাক্কী মিনিষ্টরশিং অমসুং ওফিসলশিংনা মীয়ামদা খূৎশিন্নখিবা মণিপুর ওলিম্পিয়ন পার্ক অসি কি ষ্টোন ইনফ্রা প্রাইভেট লিমিটেদনা মণিপুর পুলিস হাওজিং কোর্পোরেসন লিমিটেদকী মখাদা শাগৎখিবনি। পার্ক অসি থা অসিগী ৬তা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা শঙ্গারল্লবনি।

ঙসিগী থৌরমদা মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, নেমচা কিপগেন, এল সুসিন্দ্রো মৈতৈ, ঐচ দিঙ্গো, টি ঐচ বসন্তকুমার, খাসিম ভাসুম, চ্যেরপর্সনশিং, এম এল এশিং, লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসলশিং অমসুং ওলিম্পিয়নশিংগী ইমুংগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

### লৈশাবী ১ চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা শিরে...

*লামায় ১গী মখা...* ৱাইখোং লাইমনাইদা ময়ূম পানখিবী মচে হুইদ্রোম ওংবী ফজবী (২৬) মপুরোইবা ঐচ সুসিলগী ফার্মগী ঙা ফাবদা মতেং পাংলুগনি হায়না থা অসিগী ৮দা চৎখিবনি অদুগা থা অসিগী ১০গী নুমিদাংৱাইরমদা মচেগী য়ূমগী থোঙজিন্দা লেকথদুনা লৈরম্মী হায়না ককচীংগী জিবন হোস্পিটালদা লায়কন্ননবা পুখৎলকখি। লায়েংশঙ অসিনা অনাবগী ফীভম খুদোংথীনীংঙাই ওই হায়বদগী রিমসতা রিফর তৌরক্তুনা মখা তানা লায়কন্নখি। অদুবু ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ হেল্লকপদা কনবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি।

লৈখিদ্রবীগী ইমুংগী মীওইশিংনা মীশি অসি চিংনবা লৈ হায়বদগী ৱাইখোং পুলিসনা অন নেচরেল দেথকী কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা ঙসি পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌরবা মতুংদা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা ইমুংগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

লোয়ননা মহাক মথন্তা শিজবা মান্দে হায়রদুনা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসনগী রিপোর্ট য়েংলগা মতুংদা মখা তাবা করি করম্বা থবক লৌখৎকদগে হায়বদু য়েংখিগনি হায়রি।

### নুপী উকিলদা অকল-অরিং...

*লামায় ১গী মখা...*অমগা মরী লৈননা ফাদুনা মখোয়গী কষ্টদিদা থল্লকখিবা মীওই অমা ঙসি জে এম এফ সী-১/ইম্ফাল ৱেষ্টনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে। কোর্টনা জেলদা থাজিনখ্রবা মীওই অদুগী মমিং লোংজম রোহিট (২৭) অপোকপা এল জিবোনকুমার কৌই, থাংমৈবন্দ মাইস্নাম লৈকায়দগীনি হায়রি। মহাকপু ঙসি কোর্টতা পুথোরকপদা উকিলশিংনা সোলিদরিটি উৎখিবগা লোয়ননা ওল মণিপুর বার এসোসিএসনগী মায়কৈদগীসু থৌদোক অসিগী ভিক্টিম ওইরিবী নুপী উকিল অসিদা সোলিদরিটি উৎনবগীদমক ইম্ফাল অমসুং দিষ্ট্রিক্টশিংগী কোর্টশিংগী নোর্মেল লিষ্টেদ কেসশিং এদজোর্ন তৌবীনবা হায়জখি।

অমরোমদা, জেলদা থাজিনখ্রবা মীওই অসিবু কোর্টতা পুথোরকপদা মহাক্কী মায়কৈদা কাউন্সেল অমত্তা লেপ্তুনবা অম্বানা থোকখিবা সর্ক্যুলর অমগী মায়োক্তনি হায়দুনা মহাক্কী অপোকপী ঙাংবম গুনিবালানা কমপ্লেনেন্ট ওইদুনা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা ফাইল তৌখ্রে হায়রি।

### মীতৈগী এস টি : নিংথৌখোং ১সুং...

*লামায় ১গী মখা...* কৈথেলদা চঙশিনখিবা খোঙজংগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ ৱিমেন দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (বিষ্ণুপুর) গী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবী অদুগা এস টি দি সী এম (বিষ্ণুপুর) গী কো কনভিনরসু ওইরিবী নিংথেমচা ময়ূম ওংবী তোম্বীসনানা ফোঙদোকখিবদা ইশাগী ফংফম থোকপা হক অদু পীয়ু হায়দুনা চহী ১০ হেন্না তান্দুনা লাক্লবা ফাওবদা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা তাশিন উশিন্নদনা লৈরিবা অসি পেন্দে। এস টি দি সী এমনা এম এল এ/মিনিষ্টরশিংগী য়ূমদা অমদি ক্বার্টরদা ফাওবা চঙদুনা উন্নরগা মেমোরেন্দম পীশিল্লক্লিবনি। মখোয় উন্নবদা চিন্দদি তাল্লিবা দিমান্দ অসি মতিক চাই অমসুং ফংনবা হোৎনগনি হায়রবসু থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্তবদগী ঙসিগী খোঙজং অসি চঙশিনবনি হায়খি। মণিপুর লৈঙাক্লা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা রেকমেন্দেসন থাবীদুনা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা হোৎনবীগদবনি হায়খি।

ঙসিগী খোঙজং অদুদা হ্যুমেন চ্যেনদা শরুক য়াখিবা খোঙজংলোয়শিংনা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহল্লু, মণিপুর লৈঙাক্লা থাফম থোকপা রেকমেন্দেসন থাবীয়ু, য়েলহৌমী মীতৈগী লম কল্লু হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাউখি। অদুগা খোঙজং অসিদা এস টি দি সী এম, মণিপুর অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী মরু ওইবা থৌমীশিং, নিংথৌখোং কৈথেল ফম্বী নুপীশিং অমদি ঈ-রিক্সা/ওটোরিক্সো দ্রাইভরশিংসু শরুক য়াখি।

কোংবা কৈথেলদা চত্থখিবা হ্যুমেন চ্যেনগী প্রোটেষ্টতা শরুক য়াখিবী এস টি দি সী এমগী মীহুৎ শৌগ্রাকপম সুমতিনা ফোঙদোকখিবদা মথং থাগী ২দগী হৌগদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী নীংথম মীফমদা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা খন্নবীদুনা পাস তৌরবা মতুংদা লৈঙাক্লা রেকমেন্দেসন থাবীয়ু হায়খি।

ফুরুপ অসিনা এস টি লিষ্টতা চনবদা অতোপ্পা ফুরুপ অমত্তদা অকায়বা পীগদবা লৈতবনা মখল অমত্তগী অয়েৎপা পীবীগনু। মীতৈনা এস টি ওনবা হায়বসি কন্সটিট্যুসননসু অয়াবা পীরিবনি। চহী ১০ হেন্না দিমান্দ তৌদুনা লাক্লবসু লৈঙাক্লা খঙশিন্নদনা লৈথোকপা হায়বসি ফুরুপ অসিগী লাইবক থীবনি হায়খি।

ADVANCED COACHING INSTITUTE
FIRST COME FIRST SERVE BATCHES (EVENING)
4.30-7.50 PM/ 4.15- 7.40 PM
3.10-7.00pm 4.30 to 7.30 am
OUR POSITION HOLDERS IN HSLC, CBSE & COHSEM EXAM
HSLC 2022 TOPPERS STUDENTS
SCIENCE
STATE BOARD (REVISION)
CLASS X-5th Jan (Eve) X (Morning) - 16th Jan
Last REVISION XII Sc. & Arts.
XII(Eve)- 27th Dec XII (Morn)-6th Jan'23
HURRY LIMITED SEATS
CENTRAL BOARD (CBSE)
Last CBSE REVISION X started from 16th Jan 23
SPECIAL CONCESSION ON ACIAN, GOVT. SCHOOL, 85% AND ABOVE STUDENTS, PRINTED STUDY MATERIALS, MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY, SEPARATE BOYS/GIRLS BOARDING
ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION COURSE (23-24)
CLASS IX & X - 23th Feb'23 XII -1st March'23
STATE LEVEL MOCK TEST 2023 for UPCOMING EXAM X (HSLC) & XII (COHSEM)
XII — 8th Feb Physics | 10th Feb Chemistry | 12th Feb Maths | 14th Feb Biology
X- 2nd March Maths | 4th March Science | 6th March English | 8th March S.Science
For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH 9862992105
HL-B/7956/21/12-22/01